## ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ যুথ দিভলপমেন্ট ক্লব, যুরেম্বম অৱাং লৈকায়না শীন্দুনা মৈরা পায়বী ইমাশিং অমদি অহল ওইরবী ইমাশিংদা ঙমজবা খুদোল পীদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। যুথ দিভলপমেন্ট ক্লব, যুরেম্বম অৱাং লৈকায়গী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোয় কয়ানা মৈরা পায়বী ইমাশিংনা লৌরকখিবা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

অখন্নবা মীথুংলেনগী ফম্ফম্লাংদা লেংশিনখিবা রত্না ঙাশেপ্পম দি এস পিনসু যুরেম্বম অৱাং লৈকায়গী মৈরা পায়বী ইমাশিংগী মতিক ময়ায় অমদি থৌনা অদুগীদমক চাউথোকচনিংঙাই ওই হায়বা ৱাফম থমখি।

থৌরমদুদা পাৎশোই পি এসকী ও সী, এল খোগেননা হায়খি, মালেমদা মণিপুরগী ইমাশিংগী মতিক ময়ায় অমদি মথৌনাদি অতাঙবনি। মালেমগী ইতিহাসতা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগনি। ক্লব অসিনা শীন্দুনা মৈরা পায়বী ইমাশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকপা অসি চাউথোকচনিংঙাইনি। ইমাশিংনা লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু মখা তানা ঐখোয় পুম্নমক্না লীক্লম কায়হন্দনা পাঙথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ যুহা হাবগী থৌদোক্তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা য়ুম-কৈ, লন-থুম কয়া অমাঙ-অতা থোকখিবা অমদি অশি-অনা য়াওখিবা অদুগীদমক মণিপুর দ্রামাটিক যুনিয়ন (এম দি য়ু)গী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এম দি য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৪গী অঙনবা অয়ুক্তা থোকখিবা যুহা হাবগী থৌদোক্না মীওই কয়া অশি-অনা য়াওখিবা অমদি লন-থুম অমাঙ-অতা থোকখিবা অসিগীদমক এম দি য়ুগী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখি। যুনিয়নগী ভাইস-প্রসিদেন্টনা থৌরম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম পাঙথোকখিবগা লোয়নন লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপু মাগী মশাইকোন্দা তিঞ্জরুনবা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা তাইবঙ মপুদা থৌনিজখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মকোক-মথং তারবশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস' এসোসিএসন (কে এস এ) থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কংলৈ টেলেন্ট হন্ট-২০১৫গী মকোক-মথং তারবশিং লাউথোকখ্রে।

কে এস এ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কংলৈ টেলেন্ট হন্ট ২০১৫গী ফল কে এস এ থৌবাল নৎত্রগা হেদ ওফিসতগী য়েংবা য়াগনি। চাংদম্নবা অসিগী মনা-মথুম থা অসিগী ২৪দা ৱাই কে কোলেজ ৱাংজিংদা য়েন্থোক্কনি। মসিদা মহৈরোয়শিং অমদি অহল-লমনশিংনা শরুক য়াবীয়ু।

## দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্ট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা ন্যু দিল্লিগী প্রকৃতি মৈদানদা দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্ট-২০১৬ পাঙথোক্কদৌরি।

মণিপুর গবর্ণমেন্টকী সেক্রেট-রিয়ট হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থোকপা সার্কুলর অমগী মতুং ইন্না, ন্যু দিল্লিগী প্রকৃতি মৈদানদা থা অসিগী ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্টতা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা ঈ-পাউ খঙহল্লকপা য়াগনি। মেদিকেল টুরিজমগা মরী লৈনবা থবক থৌরাং কয়া দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্ট হায়না মিংথোনবা মেগা ইভেন্ট অসিদা উৎপা য়াগনি। শরুক য়ানিংবা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা হেল্থ দিপার্টমেন্টতা অইবা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি। দেষ্টিনেসন নোর্থ ইষ্ট অসিদা টুরিজম, স্কিল দিলভপমেন্ট, হোর্টিকলচর, মেদিসনেল প্লান্ট অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগী মতাংদসু য়াওগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## খুদোলপোৎ পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ ঃ ঙসি মালেম সিয়োম কাংবা লূপ, কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকায়না লৈকায় অসিমক্তদা লৈবী য়ুম্নাম ওংবী বিধুমুখি, মপুরোইবা লৈখিদ্রবা য়ুম্নাম তোম্বনা চহী ১০১ শুরকপদা মখা তানা পুন্সি নুংশাংনা লৈনবগীদমক মপুগী মফমদা থৌনিজবগা লোয়নন অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে হায়না মালেম সিয়োম কাংবা লূপকী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# 'য়েলহৌমীশিংদা চৈথেং কয়া পীরক্লি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ মায়কৈ কয়াদগী লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্তুনা লমদম অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপশিংদা মখল মখা কয়াগী অচৌবা চৈথেং পীরক্লি, অসিগুম্বা চৈথেং কয়া অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী লেমজনফম ওইরম্বা মীতৈ ফুরুপ অসিগী ফীভম হীরম খুদিমক্তা শোকচিল্লক্লি হায়না মীতৈ ইন্টর্নেস্নেল সিভিক এক্সন নেটৱার্ক (মীকান)কী চীফ কো-ওর্দিনেটর অথৌবা মীতৈনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীতৈ ফুরুপসিগী ফংফম থোকপদা অমসুং ফুরুপ অসিগী অপুনবা শক্তমদা শীংনরক্লিবশিং অমসুং ফুরুপ অসিবু মাঙহল্লকপা য়াবা মায়কৈ কয়াদগী পীরক্লিবা শাফুশিংবু ইশা ইশাগী অঙম্বা পাঙ্গল, থৌনা অমসুং লৌশিং পুথোক্তুনা থেংনমিন্নগদবা মতম অসিদা হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা ঈ মশেলগী মরক্তা ৱাখল তানদবা মানবা ফুরুপচা মশেল কিহন-খঙন্নবগী পান্দমদা মীরক্তা নৎত্রগা যুম্লক্তা বোম থমজিনবা অমসুং পোকখায়হনবনচিংবা থৌদোক কয়া তৎতনা থোক্লি।

মতাং অসিদা লমদম অসিবু অচুম্বা, হেন্না ফবা মায়োন অমদা পুনবা হোৎনগে হায়না চোংথোরক্লিবা ইরমদম অসিগী ইচিল ইনাওশিংগী মফমদা হায়জনিংবদি ঐখোয় ফুরুপচা মশেলগী মরক্তা পেন্নদবা, নুংঙাইনদবা কয়া লৈদুনসু মুন্না ৱাখল খন্থমিন্নদুনা ঈ মশেলদা শোকহনবা য়াবা অমসুং ইমু-নাইমু তাবা য়াবা থৌওংশিং অসি চৎথদবনা ঐখোয় পুন্নমক্কী খ্বাইদগী চুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়বসিনি। হৌজিক হৌজিকমসু লমদম অসিগী মনুংদগী অমসুং মপানলোমদগী চঙশিল্লকপা শাফু কয়ানা ফুরুপ অসিগী অপুনবা শক্তম্বু থুগায়নবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা লেপ্পা লৈতনা শীংচেপ থাজিন্নবা হোৎনরি হায়বসি ঐখোয় কাউগুমসি হায়রি।

ঐখোয় মশেলগী মরক্তা বোম, নোংমৈনচিংবা পুন্সি মাঙবা য়াবা খুৎলাইশিং শীজিন্নদুনা কিহন-খঙহন্নবা, শোকহন্নবা শীনবা হায়বসি ঐখোয়গী ফুরুপ্পু মাঙহন্নবা শীল্লিবা মীওই নৎত্রগা মীওই কাঙলূপশিংনা চফু কায়রগা ক্বাক্বা হারাউই হায়বগুম হরাউখিনি হায়বসি ঐখোয় মতম পুম্বদা নীংশিংমিন্নসি। নুংঙাইদনবা, পেন্নদবা কয়া লৈদুনসু ঈংনা-তপ্না ৱারী শানদুনা য়শিন্নবা পুরক্নবা হোৎমিন্নসি, অরানবা কয়া লৈদুনসু ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা চুমথোকচনবা তাঞ্জা পীবিসি হায়রি।

ঐখোয় মশেল অমগা অমগা হুন্নবা, য়েংথীনবা অমসুং তাথী-তাওইনা তৌনবগী ৱাখল থাদোক্তুনা ফুরুপচা খুদিংমক্না ৱাখল মুন্না খন্থমিন্নদুনা অমনা অমবু কনখৎনবা, য়োকৎনবা অমসুং ঈকায়খুম্নবতনা ঐখায় মশেল নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবা ঙমগনি হায়বসি লূপ অসিগী অচেৎপা থাজবনি হায়রি।

ঐখোয়গী থৌমীশিংনসু লমদম অসিগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা চক্তুনা লমদম অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগা ফম্নিন্নদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনরবতা ঐখোয়গী অপুনবা শক্তম্বু কনবা অমসুং ঙাক্তুনা থম্বা ঙমগনি হায়সি ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনদুনা লাক্লি অমসুং লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়রি।

অরোইবদা থমজনিংবদি ঈ মশেলগী মরক্তা বোম অমসুং গন কলচর অমা শাগৎতুনা ঐখোয় মশেল কিহন-খঙহন্নবগী মহুৎতা ফুরুপচা ঐখোয়গী ফংফম থোকপশিং, অপুনবগী শক্তম অমসুং ফুরুপকী লৈজরিবা শক্তম কঞ্জনবগীদমক ঐখোয় খুদিংমক্না অরৈবা থৌনা অমসুং মতিঙ পুথোক্তুনা ফুরুপ অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খুদিংমকপু মায়োক্নদুনা ঙাকথোকচনবগীদমক্তা শিনফমগী, শেন্থোক্কী, লাইনীং-লোনচৎকী অমসুং হৌরকফমগী খেন্নবা থাদোক্তুনা ঐখোয় অমত্তা পুনশিন্দুনা লেপমিন্নরসি হায়রি।

# সনামহি কিয়োংগী তেংবাং পীনরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ চীংগোয় মরূ লংমাইচীং (নোংমাইচীং) দা শাগৎলিবা লাইনিংথৌ সনামহি লাইনীংকোল (য়ুনিভর্সিটি ওফ সনামহি কলচর)গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহি কিয়োং শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাঙ লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়রি।

লাইনিংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপকী ওইনাম মেঞ্জোর খুমননাপ্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, তেংবাঙ পীনরক্লিবশিং অদুদি পুংদোংবম ময়াই লৈকায়দগী থাংজম সনাতোম্বগী লৈখিদ্রবী অপোকপী থাংজম ওংবী তেম্বী লৈমগী মিংদা লুপা লিশিং অমা, তেম্থাদগী কার্তিক মাইবনা লুপা লিশিং ১, ওইনাম মমাঙ লৈকায়দগী ওইনাম ওংবী তোম্বী লৈমনা লৈখিদ্রবা মপুরোইবা ওইনাম লৈয়োন খুমনগী মিংদা লুপা লিশিং ৪, ৱাঙু সাবলদগী অহন্থেম সঞ্জোয়না লুপা লিশিং ৫, সোইবম লৈকায়, খুরাইদগী ওইনাম ক্ষেত্রজিৎনা লুপা ৩,৩৩৩ অমসুং পেলেস কম্পাউন্দগী য়ুম্নাম ইবোপিশকনা লুপা লিশিং ১নি।

ভৈগ্যবতি লৈকায়দগী অঙোম ইবোচানা লুপা ১,১০০, থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দগী সানৌজম ইঙোনা লুপা ১.১০০, ৱাঙ্খৈ তোকপম লৈকায়দগী মুতুম নেত্রজিৎননা লুপা লিশিং ১, খুয়াথোং পুখ্রি অচৌবা মখা লৈকায়দগী য়েঙ্খোম নবচন্দ্রনা লুপা লিশিং ১, উরিপোক তৌরাংবম লৈকায়দা লৈবা অকোইজম লাংলেননা লৈখিদ্রবী মচানুপী অকোইজম লিনা (বেবি)গী মিংদা লুপা ১,৭০০ তেংবাঙলকখি হায়রি।

থিয়াম সরতচন্দ্রা মৈতৈনা অপোকপা চাউবা অমসুং অপোকপী ঙানবীগী মিংদা লুপা ১,০১০, লাইশ্রম জরমসিং মৈতৈ অমসুং লাইশ্রম ওংবী কোম্বী, হৈরোক পার্ট ১ মমাঙ লৈকায়দা লৈবনা লুপা লিশিং ১, খুন্দোংবম সরত মৈতৈ, হৈরোক পার্ট ২ মমাঙ লৈকায়দা লৈবনা লুপা লিশিং ১, জাতিশ্বর মৈতৈ, খম্নাম কৈথেলদা লৈবনা লৈখিদ্রবা মপাবুং চাওভল মৈতৈগী মিংদা লুপা লিশিং ৫ অমসুং কোংপাল চনম লৈকায়দগী সরাংথেম নিমাইনা লৈখিদ্রবী সরাংথেম ওংবী রধাগী মিংদা লুপা ১০,০৩০ তেংবাঙলকখি হায়রি।

মসিগীদমক লাইয়িংথৌ সনামহি থৌগল কাঙলূপনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবগা লোয়নননা লাইয়িংথৌ সনামহিনা তেংবাঙলোয় পুন্নমকপু পুন্সি নংশাংবা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবিবা ওইরসনু হায়না থৌনিজরি। লোয়নননা শাগৎচরিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিন্নবগীদমক কংলৈ য়ুমথোঙ খুদিংনা অমসুং কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙম্বা শেলগী অমসুং পোৎলম চৈরমগী তেংবাঙবিরক্নবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বা লুপা লিশিং অমদগী তাদনা তেংবাঙবিরকপা মীওইশিংগী মিং লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবগা লোয়নননা লাইনীংকোল অসিগী নুঙবিদা হক্তুনা তুং কোয়না নীংশিংনবা থমজগনি। অকুপ্পা মরোলসনা কোনুংগী অনীশুবা সনথোঙ, লাইনীংকোলগী শঙলেন্দগী খঙবিগনি হায়রি।



হেল্পিং হেন্দ ফাউন্দেসন মণিপুর অমদি শীজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সীলনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ঈ কৎপগী থৌরম

# কমিটি শেম্লগা থিজিনগদবনি : অমমসু

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস) ঃ ইমা কৈথেল নম্বর-২ অমসুং ৩গী পিল্লরশিং অমদি ৱালশিং নীংখায়খিবা, মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা ক্রোর ২.৫০ চঙনা শাবা লোইরগা শঙ্গাদ্রিবা কৈথেল যুহা হাবদা তেকখিবা অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না কমিটি অমা শেম্লগা কুপ্না থিজিনগদবনি হায়না ওল মণিপুর মাইনোরিটিজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অমমসু)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি সদামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৪গী অয়ুক অঙনবদা যুহা হাখিবা অদুদা অশি-অনা, অশোক-অপন অমদি য়ুম-কৈ কয়া অতেক-অকায় থোকখিবা অদু অমমসুনা য়াম্না থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। অৱাবদসু শরুক য়ারি। মণিপুর লৈঙাক্না যুহা হাবদা লৈখিদ্রবশিংগী এক্স-গ্রেসিয়া লুপা লাখ ৫ পীনি হায়না লাউথোকখিবা অদু য়াম্না থাগৎলি। অদুবু ৱাহে ওইনা হায়বদুনদি য়ারোই। থবক ওইনা পাঙথোকপীয়ু। অশোকপশিং অদুগী কম্পেন্সেসনসু পীগদবনি। মখোয়বু কান্থোক্তুনা থম্লম্বা অসি য়ানিংদে। অশোকপশিং অদুগী মরমদা ষ্টেট কেবীনেটনা খন্নরমদবা অসি মখোয়গী করি মরাল লৈবননো? যুহা হাবা অদুনা মরম ওইরদুনা য়ুম-কৈ তেকখিবশিং অদুগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না পাংবা য়াবা মতেং পাংফম থোকই।

ইমা কৈথেল অনী অমদি এম দি এসনা লুপা ক্রোর ২.৫০ চঙনা শাবা লোইরগা শঙ্গাদ্রিবা কৈথেল যুহা হাবদা তেকখিবা অদুগী মরম কমিটি অমা শেম্লগা থিজিনহনগদবনি। মরাল লৈরে হায়না মীয়াম্না খঙলবা ইঞ্জিনিয়ার, ঠিকাদার অমদি অতৈ মরী লৈনবশিংসু মণিপুর লৈঙাক্না মতম চানা বুক তৌগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# কোংবা কৈথেল নৌনা শানবা পোৎয়োনবীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস) ঃ থা অসিগী ৪ দা থোকখিবা অকনবা যুহা হাবগী থৌদোক্না মরম ওইরগা নীংখায়দুনা শীজিন্নবা য়াদ্রবা কোংবা কৈথেল থুগায়রগা অনৌবা কৈথেল অমা অথুবা মতমদা শাবীয়ু হায়বা দিমান্দদা ঙসি কৈথেল অসিগী পোৎফম ফম্বীশিংনা ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী থিংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

কোংবা কৈথেলগী মশীং য়াম্লবা পোৎয়োনবীশিংনা ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বী থিংদুনা ৱাকৎ মীফমসু চখদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। ৱাকৎ মীফম অদুগা মরী লৈননা কোংবা বজার বোর্দকী ভাইস-প্রসিদেন্ট দময়েন্তিনা হায়খি, কোংবা কৈথেলগী শঙশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদবনা ফীভম শোক্তুনা লৈরবনি। অদুবু থা অসিগী ৪ দা থোকখিবা লাইবক থীবা যুহা হাবগী থৌদোক্তা শরুক খরা নীংখায়খ্রে। কৈথেলগী পিল্লর অয়াম্বা নীংখায়বনা মী অমত্তা চঙহন্দনা থল্লিবনি।

লম্বীদা গাড়ী অচৌবা চৎপদা নীক্তুনা নীংখায়বা য়াবগী অকিবা লৈরে। যুহা হাখিবা নুমীৎতা এক্সপার্ট লাক্লম্লগা ঙসি ফাওবা য়েংবীদে। শেমজিন্দুনা শীজিন্নবা য়াররোইদবা কৈথেল অসি থম্লগা মতম অমদা হেক্তা নীংখায়রক্তুনা মীশি-মীনা থোক্লবদি কনানা অফ-ফত্তা পুগনি।

মরম অদুনা কৈথেল অসি শীদোক্তুনা অনৌবা কৈথেল অমা অথুবা মতমদা মণিপুর গবর্ণমেন্টনা শাবীয়ু। অনৌবা কৈথেল শাদ্রিঙৈদা টেম্পররি মার্কেট অমসু অথুবদা শাবীয়ু। মরমদি কোংবা কৈথেল নীংখায়বদগী মায়কৈ কয়াদগী লাকপা পোৎফম ফম্বীশিং পোৎ য়োনফম লৈতবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরে। পোৎ য়োন্দুনা ইমুং পুরিবশিংগী য়েংবীদুনা অথুবদা কৈথেল শাদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়খি।

## এক্তিভা অমা লাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস) ঃ লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লমশাং ব্লোক লমখায়দা চাম্নবগীদমক খামদুনা থম্বা এক্তিভা অমা শকখঙদবা মীওই অমনা লাকখ্রে।

সাইরেম যুগেশ্বর সিংহ (৬২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মণি কৌবা লমশাং থোং মনিংদা লৈবা মীওই অমগী মমিংদা লৈবা হোন্দা এক্তিভা থ্রি জি এম এন ০১৪-৩৯৪৮ অসি যুগেশ্বরগী মশুনুপা সাইরেম রিসিকুমারনা পুখ্রি অমগী মপান্দা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা গাড়ী অদু চামথোক্নবা পুখ্রিদা কুমদুনা ঈশিং শোক্লিঙৈদা শকখঙদবা মীওই অমনা লমশাং কৈথেললোমদা থৌরগা চৎখিবনি হায়রি।

মহাক্না ঈশিং শোক্লগা পুখ্রিদগী কারকপা মতমদা এক্তিভা অদু ফনা শাংনা থৌরম্বনা লাউবা নংহৌখিদবনি হায়রি। এক্তিভা অদু হেক লাকখিবগা অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা লমশাং পুলিস ষ্টেসন্দা এফ আই আর অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়রি।

# ইরানফম থোংগী পান্বৈশিং শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০(ঐচএনএস) ঃ পোরোম্পাৎ দি সী রোদতা লৈবা কোংপাল ইরানফম থোংগী পান্বৈ (সাইদ গার্দ) য়াওদবগী চাউনা খুদোংথিনিংঙাই ওইহল্লম্বা অদু কোকহন্নবগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এক্তিব মেম্বরসু ওইরিবা সোসল ৱার্কর নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা শেমজিনখ্রে।

কোংপাল পোরোম্পাৎ ক্ষেত্রি লৈকায়, কোংপাল খাইদেম লৈকায়, কোংপাল নাওরোইবম লৈকায়, কোংপাল চনম লৈকায় অমসুং কোংপাল কোংখাম লৈকায়গী মীয়ামগা লোয়নননা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা শেমজিল্লবা ইরানফম থোংগী পান্বৈশিং অদু নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পিগী এক্তিব মেম্বর ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, পোরোম্পাৎ দি সী রোদতা লৈরিবা ইরানফম থোং অসি মতমগা চান্নদবা অরিবা থোং ওইরে। কোংবা তুরেলগী মথক্তা শাবা চহী য়াম্লবা থোং অসি ফাওরগা য়াম্লবা মীয়াম্না চৎনরি। ক্ষেত্রিগাও অমসুং খুরাই এ সীগী মনুংদা লৈবা তোপ ইরিল মপাল, তোপ খোংনাংখোঙ, ক্ষেত্রি বেঙ্গুন, তোপ ময়াই লৈকায় অমসুং মোইরাং কম্পু মনাক্তগী য়াম্লবা মীয়াম্না থোং অসি নুমীৎ খুদিংগী লাম্থোক লানশিন তৌনরিবনি। থোং অসিগী পান্বৈ মতম কুইনদগী য়াওরক্তবনা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। থোং অসি শেমজিনবীনবা পোরোম্পাৎ ক্ষেত্রি লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা পাউ-চেশিংদা ফোঙদোরকপা থেংনখি। মদুদগী কম্মিটি অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ক্লবশিংগা তান্নরগা থোং অসি শেমজিনবনি। মখা তানসু ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া কোকহন্ননবা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎখিগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা পোরোম্পাৎ ক্ষেত্রি লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম মনোরঞ্জননা হায়খি, বি জে পিগী এক্তিব মেম্বর ওইরিবা ইন্দ্রজিৎনা কোংপাল ইরানফম থোংগী পান্বৈবু শেমজি-নবীবা অসিগীদমক থাগৎচরি। ইরানফম থোং অসি লাম্লগা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ অমিন সাহসু তোয়না চৎলিবনি। থোং অসি য়াদ্রে শেমজিনবীয়ু হায়বদা ইন্দ্রজিৎনা থোরক্তুনা খুদক্তা শেমজিনবীখিবনি।

থোং অসিগী পান্বৈ য়াওদবদগী হৌখিবা মতমশিংদা মীওই অহুম তুরেলদা তাশিন্দুনা অশোক অপন থোকখিবা লৈরে। মসিগীসু মথক্তা মীয়াম্না থেংনহৌদবা খুদোংথিবা কয়া অমসু য়াওরবনি। থোংগী পান্বৈ হাপচিনবা অসিনা খুদোংথিবা কয়া থোরক্কদবদগী খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

# নন-মণিপুরী অমা কেন্দিদেট ওইরক্লে ঃ অমিল

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ ঃ অহোংবা কয়ানা থল্লবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা নোংমা-নোংমগী মাঙথরকপগী খুদম ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ম্যুন্সিপাল কাউন্সীলগী ইলেক্সন্দা নন মণিপুরী অমনা লমদম অসিগী নুপী অমা লৌরে হায়দুনা মীরেপ ওইরকপসিমক তম্পাক লমদা য়েংশিন্নবা লৈত্রে হায়বগা চপ মান্নরে হায়না অপুনবা মৈতৈ লৈমা মৈরা লূপ (অমিল)গী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মীয়ামগী শাংলবাঅকিবা ফংলবা পেন্দবগী ঈহৌ অকি তুজুংবা য়াওদনা য়াশিন্নবা য়াগনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ফীরেপ লৌরকপা অসিমক মীয়াম্বু ঈকাইবা পীবগা পাঙ্খকনি। হান্না লেপ্পা অমসুং লেপ্তুগা মরী লৈনদে। ঈহৌগী পন্থুং য়োদ্রিঙৈ মশা ফন্দোরকপা অদুনি নুংঙাইত্রিবা অসি। মহাকপু মীরেপ ওইনবা শীল্লম্বা মীপুম খুদিংমক মীয়ামদা ফোঙনা লাউথোক্তুনা য়াদে, লাল্লি হায়বা অমসু খঙহনবা ফৈ হায়না অপুনবা মৈতৈ লৈমা মৈরা লূপ (ইমা লূপ, মৈতৈ য়ুথ ফ্রন্ট) না খঞ্জে হায়রি।

মসিদা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবনিনা য়াই হায়না য়েৎকদৌরিবা মীওইশিং ৱাখল মুন্না খন্থদুনা এনেক্স তৌথিবা নুমিৎ কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫ নীংশিংবীয়ু। পুম্নমক য়ারবদি ইস্যু ময়ামসু থোক্লম্লোই। আই এল পিগী খোল্লাউসু লাক্লম্লোই। বিষ্ণুপুরগী ৱার্দ নম্বর ২গী মীরেপ ওইনা চোংথোরক্লিবা শেল পায়রবা এম জামালুদিন (য়ুম্নাক লৈতবা) অশেংবা মিংনা ববুল কৌবা মীওই অসিনা মৈতৈ পাঙলগী নিংঙোল অমা লৌদুনা য়ুম্বাল লম্বদা লৈমিন্নরবসু খুন্নাই অসিগী ওইনদি মীরেপ অমা ওইবদা ৱাৎপরা খল্লি। মরমদি নুপা অদুদি শিলচরগী লাক্লগা মণিপুরদা লৈবনি, মণিপুরগী হৌরকপা নৎতে। ঐখোয়না য়াম্না থোইনা হায়দ্রগসু মীয়াম্না তরেৎ তরা থোক্না নৈনবিরো হায়রি।

অমিলনা য়াম্না নুংঙাইত্রিবদি আই এল পিগী খোইরাং খোইশাওনরিঙৈদা অসিগুম্বা অমা ঐখোয়গী মরক্তা অমুক থোক্লকপা অসিনি। মতাং অসিদা ২৩ চহী চাগী মমি কুঙ্ক্ষোসু নীংশিল্লকই। মৈতৈ নুপা অমনা পঞ্জাবী নিংঙোল অমা লৌদুনা ফিজেৎ চাকচা হোংলবসু মহাক্কী ফুরুপকী মী থেংনবা মতমদা লোন্না মতেং পাংদুনা ঙাকপী শেনবিবা, অৱাবা কোক্নবা হোৎনবা মতাং অদু খুন্নাই অসিদা ওইথোকপা য়াব্রা খল্লি। মফম খরদদি হৌসু হৌখ্রে হায়রি।

ইলেক্সনগী মতাংদা অকোয়বগী মীয়াম্না মুন্না খঙলবা মীবু নোমিনেসন ফাইল তৌবা ঙমহনখিবা অসি অঙকপা ফাওই। স্ক্রুনিটি নুমিত্তা মীয়াম খঙনা প্রেস মীদিয়া য়াওনা য়ারোই হায়না খঙহল্লবদি ইমা লূপ অসিনা অপেনবা ফাওগদবনি। অদুবা থেংলবসু থেংনা মুস্লিম য়ুথ ক্লবনা অশেংবা অমা খঙহল্লক্তুনা ইমা লূপতা চেপাউ য়ৌহনবিরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়রি।

ঐখোয়না মীয়ামদা খঙহঞ্জবগী মরমদি তুংদা লাক্কদবা মীওইশিংনা পান্বৈ অমা ওইনা শীজিন্নবা য়াদনবনি। তুংদা থোক্লক্কদবা খুদিংমক মমাঙথক্কী অশোইবা ময়াম্না লিচিং ওইবগীনি। অখঙবা লূপশিংনা তুমিন লৈথোকপদি ৱারৌদবা ঙমদে। অচুম্বা অশেংবা হায়বদু মীওই খুজোক খরনা লান্না শনে দাক্লবসু কিফম থোক্তে হায়রি।

# ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস) ঃ ঙরাং নুংথিল পুং ১ তাবদা লম্লোং কৈথেল দিভলপমেন্ট কমিটিনা শীন্দুনা খুরাই পানা অপুনবা শীংলূপকী প্রসিদেন্ট কে শরত, খুরাই থৌদাম লৈকায় মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ জিবনমলা অমসুং লম্লোং কৈথেল অপুনবা লূপকী অথোকপম অপাবীনা থৌরম মপু ওইদুনা খুরাই লম্লোং কৈথেলদা লৈবা সঙ্গিৎ কলা সঙ্গম হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লম্লোং কৈথেল দিভলপমেন্ট কমিটিগী কনভিনর টি ঐচ শরতনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়, মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা লৌখিবা অহানবা ৱারেপনা হান্নদগীসু ফীভম শোক্লবা লম্লোং কৈথেল অসি হৌখিবা জন্যুৱারী ৪দা হাখিবা যুহানা মরম ওইদুনা যুম্বীশিং নিংখায়বদা কৈথেলশঙদা চঙবা কিনবনা মরম ওইদুনা লম্লোং কৈথেল দিভলপমেন্ট কমিটিনা থৌরাং তৌদুনা টেম্পররী মার্কেট শেদ অমা শাবা হৌরে। কমিটিনা থৌরাং অসি তৌখ্রবা মরম্না হৌজিক লৈরিবা, করিগুম্বা মতম অমদা হেক্তা মীশি-মীনা থোকপা য়াবা শঙশিং শিদোকপা হায়না য়ানরে।

লম্লোং কৈথেল অসি মতমগী চুনবা, অনৌবা কৈথেল অমা ওইনা অথুবা মতমদা শাবিনবা মরী লৈনবশিংদা হায়জবা, করিগুম্বা কৈথেল অসি শাবদা লমগী অহেনবা তঙাইফদবা লৈরবদি খুরাই গার্লস স্কুলগী লম অসি লৌশিনবা অদুগা স্কুল অসিনা মরী লৈনবশিংগা তানরগা হেন্না ফবা ওইথোকপা য়াবা হায়বদি অতোপ্পা অনকপা মফম অমদা হোংদোকপা নৎত্রগা অনকপা স্কুল অমদা পুনশিন্নবা হোৎনবা হায়না মীফমদুদা অনীশুবা ৱারেল ওইনা লৌখ্রে হায়রি।


হায়রিবা মথক্কী ৱারেপশিং অসিবু অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্নবা অমসুং লম্লোং কৈথেলগী দিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্বা লম্লোং কৈথেল দিভলপমেন্ট কমিটিদা শিন্নবা হায়নসু অহুমশুবা ৱারেপ ওইনা লৌখ্রে হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচ এন এস) ঃ সী পি আই, ময়াং ইম্ফাল লোকল কাউন্সীলগী লোকল সেক্রেটরি ওইরম্বা কমরেদ এন ইরাবোতনা জন্যুৱারী ৮দা খঙহৌদনা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১তাবদা পার্টি ওফিস্তা পাঙথোকখ্রে। চহী ৭২ শুখ্রবা কমরেদ ইরাবোতনা সেক্রেটরি ওইরিঙৈদা মীয়ামগী অমসুং লৌমীশিংগী ফীভম চাওখৎনবা অমসুং পার্টিগী ফীভম ফগৎনবা থবক কয়া তৌরমখি। মহাক্না লৈখিদবদা পার্টি অসিনা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপখি হায়না সী পি আই, ময়াং ইম্ফাল লোকল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ঐচ ইবোবীনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

DUTTA CLINIC

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি



অঙৌবা পকপা :
অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :
তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :
ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোম্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে। মমল লুপা ৪৫০।

নুপীগী প্রোব্লেম :
ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :
নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :
ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :
না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

য়ু করম্না থাদোক্কনি :


DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B2864/29/12-28/01

# 'নন-মণিপুরীনি'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ এম দি জমালুদিন এলিয়স বাবুল, লোয়নবীনা হসিন, বিষ্ণুপুর মুস্লিম লৈকায়, ৱার্দ নম্বর ২দা লৈবা অসি নন-মণিপুরীনি। মহাক সিলচরদগী লাক্লগা বিষ্ণুপুর মুস্লিম লৈকায়দগী মুস্লিম নুপী অমা লৌরগা হৌজিক মচা নুপা ১ অমসুং মচানুপী ২ লৈরে। মহাক লমদম অসিদা লৈরকপা চহী ২৪ রোম শুরে। মহাক নন-মণিপুরীনি হায়না মুস্লিম য়ুথ ক্লব, বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর টুগী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-1962



**ACROSS**

1 Gift (7)
5 Fabric (5)
8 Sharp (5)
9 First course of a meal (7)
10 Blow up (7)
11 Sorrowful poem (5)
12 Northern Ireland (6)
14 Deft (6)
18 Film (5)
20 Wooed (7)
22 American reindeer (7)
23 One of the Marx Brothers (5)
24 Permit (5)
25 Underground passages (7)

**DOWN**

1 High level ground (7)
2 Fit out (5)
3 Blot on the landscape (7)
4 Slates (anag.) (6)
5 Pursue (5)
6 Very active (2,3,2)
7 Hasten (5)
13 Reveals (anag.) (7)
15 Eldest son of a French king (7)
16 Tiresome (7)
17 Pronounce not guilty (6)
18 Holy city of Islam (5)
19 Arm joint (5)
21 Rich sweet cake (5)

Solution 1961

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | H | A | R | T | S | ■ | H | A | L | T | E | D |
| O | ■ | L | ■ | A | ■ | ■ | ■ | L | ■ | A | ■ | E |
| L | I | B | E | L | ■ | D | R | A | C | U | L | A |
| U | ■ | E | ■ | L | ■ | I | ■ | M | ■ | N | ■ | R |
| M | A | R | T | Y | R | S | ■ | O | C | T | E | T |
| N | ■ | T | ■ | ■ | ■ | P | ■ | D | ■ | ■ | ■ | H |
| ■ | ■ | A | T | P | R | E | S | E | N | T | ■ | ■ |
| S | ■ | ■ | ■ | A | ■ | R | ■ | ■ | ■ | R | ■ | E |
| C | O | C | K | S | ■ | S | T | O | R | I | E | S |
| A | ■ | U | ■ | S | ■ | E | ■ | D | ■ | D | ■ | T |
| M | A | R | R | I | E | D | ■ | O | M | E | G | A |
| P | ■ | D | ■ | O | ■ | ■ | ■ | U | ■ | N | ■ | T |
| I | N | S | A | N | E | ■ | W | R | I | T | H | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-1769

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 4 | | | 8 | | | 1 |
| | | | 2 | 7 | | 6 | | |
| | | | | 6 | | | | |
| | | | | 1 | | 4 | 9 | |
| 2 | | 8 | | | | | | 3 |
| 5 | | | | | 3 | | 2 | 6 |
| | | | | | | 3 | 6 | 8 |
| 7 | | | | | | | | 2 |
| | 6 | | | | 4 | | | 7 |

Solution-1768

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 5 | 2 | 4 | 3 | 1 | 8 | 7 | 9 |
| 9 | 7 | 3 | 8 | 6 | 5 | 1 | 2 | 4 |
| 8 | 1 | 4 | 2 | 7 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 4 | 2 | 1 | 9 | 8 | 6 | 7 | 3 | 5 |
| 7 | 3 | 6 | 5 | 1 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 5 | 8 | 9 | 3 | 2 | 7 | 6 | 4 | 1 |
| 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 8 | 5 | 6 | 3 |
| 1 | 6 | 5 | 7 | 4 | 3 | 2 | 9 | 8 |
| 3 | 9 | 8 | 6 | 5 | 2 | 4 | 1 | 7 |